চহী চুপ্পা লেপ্তনা নুংতিগী ফোঙবা অহানবা মণিপুরী পাউচে

# ꯁꯅꯥꯂꯩꯕꯥꯛ সনালৈবাক

www.sanaleibak.in

HOLY TATA SKY FREE
SAMSUNG 40" LED
FREE SAMSUNG MICRO WAVE ₹ 6100/-
SAMSUNG 40" LED
₹ 39999/-
ALSO AVAILABLE
SAMSUNG 32" LED
₹ 23999/-
FREE SAMSUNG MICRO WAVE
₹ 6100/-
VIDEOCON HOUSE, PAONA BAZAR
SARAJEEVAN ENTERPRISES, PAONA BAZAR
CHINGTAM, KHOYATHONG RD., ANAND HOTEL



ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা য়ুম্নাম নন্দিনিনা ইবা 'ঈপাক্তুগী তোর্বান্দুদা' হায়বা শেরেং লাইরিক নৈনবগী থৌরমদা শরুক য়াখিবশিং

ডাঃ নিমাইচান্দ লুৱাংগী মীখলগী ভোট খোন্না হৌদোকপগী থৌরমদা মহাক্কী পোক্লফম লমদম ওইরিবা অন্দ্রো কেন্দ্রগী মনুং চনবা য়াইরিপোক য়াম্বেমদগী হৌদুনা মহাকপু শৌগৎপা মীওই কয়ানা রোদ সো অমগা লোয়ননা লাকখিবা খোঙচৎ



HOLY SPL. DISCOUNT
LED 40HH = ₹ 28500/-
3 YRS WARRANTY
22 LED TV
150LT REFRIGERATOR
6KG W/MACHINE
₹ 25500/-
190LT REFRIGERATOR :
32" LED VIDEOCON
7.2KG H11/13 WASHER :
₹ 35999/-
TATA SKY FREE
VIDEOCON HOUSE, PAONA BAZAR
SARAJEEVAN ENTERPRISES, PAONA BAZAR
CHINGTAM, OPP. HOTEL ANAND CONTINENTAL

ঙসিগী অঙৌং–অশা : শাবগী চাং ঃ ৩৪° সি, ঈংবগী চাং ঃ ১০° সি | নুংশিৎতা য়াওবা ঈশিং মনিলগী চাং চাদা ঃ ২৮ | নোংজুগী চাং : ০ এম এম

IMPHAL, THURSDAY, 17 MARCH 2016
শগোলশেন, লমতাগী ৯ নি পানবা
e-mail: sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com
RNI Regd. No. 31350/77 | Volumn No: 42 Issue: 110 Page : 8 | Price: 3.00

## ৱাখলগী চিঙ্গাক

করিগুম্বা থবক অমা তৌনবগীদমক্তা মতম শাংনা খন্দুনা লৈবা হায়বসি থবক অদু তৌদনবগীদমক্তা খনবগুম্বনি

## অহানবা কাখল

### ফাদুনা পুখ্রে

এস এন এস

ইম্ফাল, মার্চ ১৬ ঃ লিতাল পুলিসকী মনুচনবা শোংথেল ভিলেজদা পি এম জি এস ৱাইগী মখাদা লম্বী শেম্বগী লৈপাক হোন্দোক–হোঞ্জিন তৌবা ট্রক দ্রাইভর অমা শকখঙদবা খুৎলাই পায়বশিংনা থা অসিগী ৩গী নুংথিলদা ফাদুনা পুখিবদগী ঙসিফাওবা লংলা–লংজিন খঙদনা লৈরে হায়রি। ফাদুনা পুখ্রবা দ্রাইভর অদুগী মমীং চীনাওসাং (৪৮) অপোকপা মামু লাং কৌই, লিতাল পুলিসকী মনুংচনবা ফারুং শিমদাং ভিলেজদগীনি। থৌদোক অদুগা মরী লৈননা চীংনাওশাংগী ইমুংমনুংনা ঙরাং লিতাল পুলিস ষ্টেসনদা ৱাকৎলকপদগী পুলিসনা কেস অমা লৌখৎখ্রে হায়রি।

### মীমান্দ্রবী নুপীমচা১ ইজৎ মাংহনবীখ্রে

এস এন এস

ইম্ফাল, মার্চ ১৬ ঃ মশাগী চহী ২০ রোমতা ঙাইরীবী মীয়ামগা মীমান্দ্রবী নুপী মচা অমা লৈকাই অদুদা লৈমিন্নবা নুপামচা অমনা ইজৎ মাংহনবীখ্রে। থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা নুপা অদু পুলিসনা ফাখ্রে। থৌদোক অসিগী মতাং দা নুপীমচা অদুগী অপোকপী মমা নোংথোংবম সনা, কবোৱাকচীং খুন্নৌনা বিষ্ণুপুর ৱুমেন পুলিসতা ৱাকৎলকপদগী এফ আই আর নম্বর ১০ (৩)২০১৬ অন্দর সেক্সন ৩৭০ (২) আই পি সিগী মখাদা কেস অমা রেজিষ্টার তৌখ্রে।

থৌদোক অসিগী মতাংদা মীমান্দ্রবী রেপ তৌবিখ্রবী অদুগী অপোকপী মমানা পুলিসতা পীশিল্লকখিবা ৱাকৎ চেরোল অদুনা পল্লিবদি মহাক্কী মচানুপীবু হৌখিবা ফেব্রুৱারি থাদা লৈকাই অদুম্মক্তা লৈমিন্নবা মশাগী চহী ১৬ তা ঙাইরিবা নুপা মচা অমনা অচেংবগী তঙ্গা লৌরগা রেপ তৌবীখ্রে হায়না নুপী মচা...মখা লমায় ৫ দা

গ্যাসকী পাউ লমায় ৫

## লোইরেদনা

ভারত্তা লমদম অসি খঙদবা য়াওদ্রবনিনে, ঐখোয়নদা মকোক্তা লৈরবনিনে অদুনবু মন্ত্রি অমা ওইনা চাউথোকপা ঙম্লিশিনি।



য়াম্না চুম্মী, ক্রাইম রেকোর্দ ওইনা মকোক্তা, শেল থুমগী ওইনা মমৈদা লৈরে সার

## হেক্তা হায়জিনবা

- হন্দক্কী বেজদা ত্রেনিং তৌখিবা এস আই এ এস আইশিংগী পোষ্টিং কদাই–কদাইদা পীসিগে খন্নবদা ফল তাবা ঙমদ্রমাল্লেনে।
- করিগী ফল তাবা ঙমদ্রিবা? অদুক লাইদুবু।
- কদাইদা থম্বনা ফগদগেনে?
- কমান্দোদা পুলপ থমজিনগদবনিনে। কাওবা–নেৎপা ফুবগী ত্রেনিং পাস তৌরবনিনা।
- কদাইদগী–কদাইদগী, লম্বীদা উ ফেজিন্দুনা, তয়ার মৈ থাদুনা লৈরম্লবদি কমদৌনা কনানা থেংনবীনি।
- ত্রেন্নরশিংদুনা মরাইনা থেংনজনি। মখোয়না তম্বীবা নত্ত্রো, ইউনিফোর্ম শেৎপশিংগী দিসিপ্লিনদো।
- ত্রেন্নরশিংসু য়াওশিনখ্রদি কমদৌবা?
- অদু ওইরগনা মখোয়দগী লৌরুবা লুপা লাক্ষ ১০। ১৫ দু হল্লগে হায়দুনা থেমহল্লগা লোইরেনে।
- অদুদি হোম মিনিষ্টরসি থবক্তিং চিন্দৌরিহে।

# গুৱাহাতি–ইম্ফাল হায়দ্রোকার্বোন পাইপলাইন পুরকপদা খুদোংচাদবা থোকহন্দনবা চীফ মিনিষ্টরদা খঙহল্লকখ্রে

এস এন এস

ইম্ফাল, মার্চ ১৬ ঃ ইন্দিয়া গভর্নমেন্টনা অৱাং নোংপোক ইন্দিয়া পুম্বদা পায়খৎকদৌরিবা হায়দ্রোকার্বোন ভিজন ফোর ২০৩০গী মখাদা গুৱাহতিদগী সিলচর ফাওরগা ইম্ফাল ফাওবা পেট্রোলিয়ম প্রদক্টশিং পুরক্লবা পাইপলাইন তিংবগী থবক্তা খুদোং চাদবা মায়োক্লহন্দনবা লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎপীনবা বি জে পিগী লোক সভা এম পিসু ওইরিবা বি জে পি মণিপুরগী ইন চার্জ প্রল্হাদ সিংহ পটেলনা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরদা চিঠি অমা ইরকখ্রে।

ঙসি য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট (ইন্দিপেন্দেন্ট চার্জ) পেট্রোলিয়ম এন্দ নেচরেল গ্যাস ধর্মেন্দ্র প্রধাননা মহাক মশামক্তা ইবা চিঠি অমগীকোপীগা লোয়ননা থারকখিবা চেরোল অদুদা হৌজিক মণিপুরদা লৈরিবা পেট্রোলিয়মগী পোথোকশিং অসিগী দরকার ওইবা অসি য়েংলগা মদু কোন্ননবা সপ্লাই তৌবা ঙম্নবগীদমক ইন্দিয়ান ওইল কোর্পোরেসন লিমিটেদকী অনৌবা টর্মিনেল অমা ইম্ফালদা শাগৎপগী থবক চথরি।

হায়রিবা দিপোট অসিনা ষ্টেট অসিগী বফর ফিদর ওইগদৌরিবনি লোয়ননা দিপোর্ট অসি লাকপনা লমদম অসিদা ব্লোকেদ নত্রগা লেন দম্লাইদনচিংবা থোক্লকপা মতমদা অৱাৎপা ষ্টোকশিং মেনখৎপা ঙমগনি। হায়রিবা দিপো অসি হান্না লম্বীনা শম্নখ্রবনি অমসুং আই ও সি এলনা দিপো অসি রেল কনেক্টিভিটি লৈহন্নবা প্রপোজ তৌখ্রবনি।

হৌজিক রামনগরদা লৈরিবা দিপো অসি রেল ফেদ সপ্লাই তৌরগনি অমসুং মসিনা দিপো অসিদা পেট্রোলিয়মগী পোথোকশিং অসি হেন্না মপুং ফানা ফংহল্লগদবনা মণিপুরগী ওইনসু হেন্না খুদোংচাবা অমা ওইহল্লগনি।

নুমিৎ খুদিং লেপ্তনা মীয়ামদা পেট্রোলিয়মগী পোথোকশিং ফংহন দুনা মীয়ামগী অমসুং মহৌশাগী ওইবা অপনবা কয়া অসি থোকহন্দনবা পান দমদা হায়দ্রোকার্বোন ভিজন ফোর দি এন্টায়র নোর্থইষ্ট বাই ২০৩০গী মখাদা গুৱাহতিদগী সিলচর ফাওরগা ইম্ফাল ফাওবা পেট্রোলিয়মগী পোথোকশিং পুবা হায়দ্রোকার্বোন পাইপলাইন তিংনবা ৱাফম মিনিষ্টরনা থবক লৌখৎপগী ৱাফম অদুসু মহাক্কী চিঠিদা পল্লি।

মসিদা চীফ মিনিষ্টরনা রাজনিতিগী ওইবা ৱাফম নাকলদা থল্লগা মণিপুর ষ্টেটকী য়াইফনবগীদমক পুন্না থবক তৌমিন্নসি হায়না চিঠি অদুদা পল্লি। লোয়ননা য়ুনিয়ন মিনিষ্টরগী থৌরাং অসি লৌখৎলকপা মতমদা খুদোং চাদবা মায়োক্লহন্দনবা তঙাইফদবা চেকশিন থৌরাংগী থবকশিং লৌখৎনবা চিঠি অদুদা পল্লি।

# কংগ্রেস এম এল এশিংগী ইরাং বি জে পি য়াওনিংবগীনিঃ নিমাইচান্দ

এস এন এস

ইম্ফাল, মার্চ ১৬ ঃ ইন্দিয়াদা কংগ্রেস পার্টি অসি চহি ২০ লোমদি হৌগৎপা ঙম্নরোই। মণিপুরদা এম এল এ ৪২ লৈবা কংগ্রেস পার্টি কায়গদৌরে, এম এল এশিং ইরাং হৌরি। কংগ্রেস এম এল এশিংনা ইরাং হৌরিবা অসি বি জে পি য়াওনিংবদগীনি হায়না হান্নগী মিনিষ্টর অমসুং অন্দ্রো কেন্দ্রদা লাক্কদৌরিবা মীখলদা মীরেপ ওইগদৌরিবা ডা. নিমাইচান্দ লুৱাংনা ফোঙদোকখ্রে।





ঙসি অন্দ্রো বজারদা লৈবা পুৱৈরোম্বা শঙলেন্দা পাঙথোকখিবা মীখলগী ভোট খোন্না হৌদোকপগী থৌরমদা মীয়ামদা ৱা ঙাংলদুনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্কী পোক্লফম লমদম ওইরিবা অন্দ্রো কেন্দ্রগী মনুং চনবা য়াইরিপোক য়াম্বেমদগী হৌরগা গাড়ী কয়ামরুমদা মহাকপা শৌগৎপা মীওই কয়ানা রোদ সো অমগা লোয়ননা লাকখিবা খোঙচৎ অদুনা অন্দ্রো বজারদা লৈবা পুৱৈরোম্বা শঙলেন্দা থুংলবগা মফম অদুদা মীয়ামগী ওইবা অচৌবা মীফম অমা পাঙথোকখি।

মীফম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা নিমাইচান্দ লুৱাংনা হায়, মতম খরগী মমাংদা অন্দ্রো কেন্দ্রদা ভোট লেপ্পগনি হায়বা তাবদা ৱাংখেম প্রজাশিংনা কন্না অথিংবা থমখি। অদুবু অন্দ্রো কেন্দ্রগী প্রজাশিংনা লেপ্পিবা অসি উবদা ৱাংখেম কেন্দ্রগী প্রজাশিংনসু অন্দ্রো কেন্দ্রদা ভোট লেপ্পদা অয়াবা পীরে। মসিদগী ঙসি মীখলগী কেম্পেইন হৌদোকপনি। মসিদা করিগুম্বা মায় পাক্লবদি রুলিং নম্বর ১ ওইগদৌরিবনি।

অন্দ্রো কেন্দ্র অসি হৌখিবা চহি ১০ ওপোজিসন্দা লৈরক্লি। সলাম চন্দ্রনা কারম্বা মতমদসু চহি ৫ অমসু ওপোজিসন্দা লৈরকখ্রবনি। হৌজিক কংগ্রেস পার্টি অসি নিংখায়রগদবা তোর্বান্দা হৌবা উপালগা মান্নরবনি। ইন্দিয়াদা কংগ্রেস সাসন মুৎলবনি, কংগ্রেস হল্লকপা ৱারগদবনি।

কংগ্রেসনা ইন্দিয়াদা সাসন লিংলকপদা লৈবাক অসি শেঞ্জা থুমজাগী মরু হল্লকখিবনি। হৌজিক মণিপুরগী কংগ্রেসকী সি এম অসি জেলদা চংনবা শেম শারে। মদুসু মণিপুরগী জেলদা লৈরোই, দিল্লিগী টিহার জেলদা লৈগনি হায়রে। টিহার জেলগী কা অসি করম্বনা খরা ফবগে হায়বদু শ্যামকুমারদা হংই হায়খি।

কংগ্রেস পার্টিগী চাউখৎ থৌরাং দি কৈথেল শারগা নিংখায়বা অসিনি।খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল শাই নিংখায়, য়াইরিপোক কৈথেল শাই নিংখায় তৌদুনা লৈরি। মণিপুরদা পি আর লাক্লগনি। পি আর থল্লগা লাক্কদৌরিবা মীখল অসি পাঙথোক্কদৌরিবনি।

মণিপুরগী এম এল এ ৪৭ লৈবা কংগ্রেস পার্টি কায়গদৌরবনি।...মখা লমায় ৫ দা

# সমরাম লমখাইদা টিয়ার গ্যাস কাপ্পদা নুপী অমা শোক্লে কমান্দোগী গাড়ি অমসু কায়খ্রে

এস এন এস

ইম্ফাল, মার্চ ১৬ ঃ মেমিচা মীশিগা মরী লৈননা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা সমরাম লমখাইদা চথখিবা মতম কক্তবা বন্দ ঙসি পুলিসনা তানখায়বগা লোয়ননা টিয়ার গ্যাস কাপ্পদা নুপী অমা শোক্লে, পুলিস কমান্দোগী গাড়ি অমাসু কায়খ্রে অদুগা ইমুংদা টিয়ার গ্যাস তাশিনবদগী ফমুং অমা মৈ চাকখ্রে।

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা নহারুপ পাঙ্গোং মখোঙদা লৈবা মপামগী য়ুমদগী থোকখিবা নোংমাইথেম ওংবী মেমিচা দেবী চহী ৪৬, থৌবাল পুলিসকী মনুংচন্না লৈবা সমরাম পন্থক লৌকোলদা শিনা ফং খিবগা লোয়ননা মীশি অদুদা চেন্নবনি হায়বা এন খোমদোনচা পুলিসনা ফাদুনা জেলদা থমখিবা অদু কন্দিসন অমত্তা য়াওদনা থাদোক্কদবনি হায়না ঙসি অয়ুক পুং ৯.৩০ রোম তাবদগী ইম্ফাল –মোরে লম্বীগী সমরাম লমখায়দা বন্দ কৌখিবনি। মীয়াম্না চংশিনখিবা খোঙজং অদু পুলিসনা টিয়ার গ্যাস সেল কয়া কাপ্পদা নত্তনা ব্লেঙ্ক ফয়ার ফাওবা তৌদুনা তনখায়নবা হোৎনখি মদুদা নুপী অমা মকোক্তা শোকপদগী থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা লাইকন্নখি। শোক্লবা নুপী অদু লোংজম ওংবী অহনবী চহী ৪০ মপুরোইবা লৈখিদ্রবা মুহিন্দ্রা কৌই হায়বা খঙলে। পুলিসনা বন্দ শৌগৎপশিং অদু তনখায়নবা কাপখিবা টিয়ার গ্যাস সেল অমা থোকচোম রবিগী তিননা কুপ্পা য়ুমথক লানশিল্লক্তুনা ইমুংদা লৈবা ফমুং অমা মৈনা চাকখি। থৌদোক অদুগা মরী লৈননা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কমান্দোগী বুলেট প্রুভ গাড়ি অমসু বন্দ শৌগৎপশিংনা নুংনা থোম্বা অমদি চৈনা কনবদগী অকায়–অতোয় থোকখ্রে। কমান্দোগী বুলেট প্রুভ গাড়ি অদুগী রেজিষ্ট্রেসন নম্বরনা এম এন ০১ এক্স ৪৭৮৯নি। ইরাং অদু লাকশিন্নবা এডিস্নেল এস পি নিমাইনা লুচিংবা অহেনবা ফোর্স চংশিন্দুনা হোৎনখি হায়নসু পাউ অসিনা মখা তারি।

মরক অসিদা জে এ সিগী চিয়ারমেন কে জিতেন্না ফোঙদোরকখিবদি লৈখিদ্রবা মেমিচাগী মপুরোইবা নোংমাইথেম শ্যামগী মনাওনুপা খোমদোনচা চহী ৪৫ অপোকপা লৈখিদ্রবা ইবোচা ফাজিল্লগা জেলদা থাজিনখিবসি য়ানিংদে। মেমিচাগী পোস মোর্তেম রিপোর্টতা মথন্ত শিজবনি হায়বা খঙবা ঙম্লবসু খোমদোনচাবু জেলদা থাজিনখিবা অসি মীচং মীখায় নাইবা থৌওংনি হায়না মহাক্না পেন্দবা ফোঙদোকখি। অসিগুম্বা থৌওংবু য়ানিংদবা উৎতুনা ইম্ফাল–মোরে লম্বী থিংবগী খোঙজং অসি চথবনি। খোমদোনচাবু কন্দিসন অমত্তা য়াওদনা থাদোক্ত্রিবা ফাওবা অমদি মীয়ামদা ওনশিন্দুনা ফুবা, অথিবা ৱাহে ৱাতা শিজিন্নখিবা পুলিস পার্সোনেলশিং মতিক চাবা দন্দি পীদ্রিবা ফাওবা মতম কক্তনা লম্বী থিংবগী খোঙজং চথখিগনি। মদুদগী থোরকপা অফ–ফত্তগী দায়ত খুদিংমক সরকারনা পুগদবনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াই মেমিচা মীশিগা মরী লৈননা মমাং থা ফেব্রুৱারি ১১ দা থৌবাল পুলিসনা নোংমাইথেম খোমদোনচা ফারবা মতুংদা ঙরাং অনিরকশুবা ওইনা চিফ জুদিসিয়েল মেজিষ্ট্রেট থৌবালগী কোর্টতা পুথোক্লবা মতুং জুদিসিয়েল রিমান্দ লৌদুনা জেলদা থাজিনখিবনি। চিফ জুদিসিয়েল মেজিষ্ট্রেটকী কোর্টতা ঙরাং মেমিচাগী মপাম লমদমগী মীওই কয়ানা চংশিন্দুনা খোমদোনচা আইনগী চপ চাবা দন্দি পীনবা অকনবা খোল্লাউ কয়া লাওখি। অদুগা অতোপ্পা কাঙলুপ অমনা খোমদোনচা মরাল লৈতে কন্দিসন অমত্তা য়াওদনা থাদোক্কদবনি হায়বা অকনবা খোল্লাউ কয়া লাউদুনা ইরাং থোকখিবনি। ইরাং অদু লাকশিন্নবা অহেনবা পুলিস ফোর্স চংশিন্দুনা হোৎনখিবসু লৈখিবনি।

# য়োংচাক্কী ৱাথোক্তা বোর্ডর গেট থিংজিল্লুরে

এস এন এস

ইম্ফাল, মার্চ১৬ ঃলল্লোন–ইতিক্কী ওইবা ৱাহৌদা য়ুম্লোন্নরিবা ম্যনমার অমদি ভারতকী প্রজশিংগী মরক্তা ভাব তান্নদবদগী ইরাং থোক্তুনা বোর্ডর টাউন ওইরিবা মোরেগী নম্ফালোংগী গেট থিংজিল্লুরে।





থৌদোক অসিগী মতাংদা প্রেসনা ফংবা পাউনা হায়, ম্যনমারগী টুমুদগী পুথোরকপা য়োংচাকশিং ভারতকী লল্লোন ইতিক তৌরিবশিংনা মমাং ঙৈদগী হৌনা টুমুগী শরুক্তা চংশিন দুনা য়োংচাক তিক্লম্বা অদু ম্যনমার আর্মিগা মান্নরগা টুমুগী প্রজা খরনা নম্ফালোং ফাওবা পুথোরক্লগা য়োন্নবা হোৎনরকপদগী চয়েৎনবা অদু থোকখিবনি হায়রি।

পাউ অসিনা হায় ঙসি ভারতকী মায়কৈদগী নম্ফালোং ফাওদুনা টুমুদগী য়োংচাক লৈরগা পুথোক্লকপদা ম্যনমারগী মীওই খরগা লোয়ননা ম্যনমার আর্মিনা অথিংবা পীখি। মখোয়গী মায়কৈদগী য়োংচাক পুথোক্কে হায়রবদি পুথোরক্লিবা য়োংচাক মশিং য়েংলগা শেল পীরম্মু হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা পুথোকপা থিংখি হায়রি। য়োংচাক পুথোরকপা থিংবগী খোইশাওনরবা ভারতকী প্রজাশিংনা মোরে তম্না ম্যনমার পোৎ অমত্তা য়োনবা য়ারোই হায়না অথিংবা পীবদগী লৈবাক অনিগী প্রজাশিংগী মরক্তা ইরাং থোরকপদগী ঙসি অয়ুক পুং ৮.৩০ রোম তাবা মতমদা ভারত অমসুং ম্যনমার ফাওদোক–ফাওজিন ওইরিবা নম্ফালোংগী বোর্ডর গেট মতম খরা থিংজিল্লুবনি হায়রি।

# দাইরেক্তর শিন্দোক্লবা খোংজং হৌখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৬ঃ পাঙ্গৈদা লৈবা মণিপুর পুলিস ত্রেনিং কোলেজ (এম পি টি সি)গী দাইরেক্তর কে ঐচ চন্দ্রমনিবু লাক্লিবা তাং ২১গী ফাওবগী মনুংদা শিন্দোক্লবা কোলেজ অসিগী ইনষ্ট্রক্তরশিংনা খোঙজং চংশিনবা হৌখ্রে।

ঙসি কোলেজ অসিগী ইনষ্ট্রক্তরশিংনা কোলেজগী মেন গেৎ লোনশিন্দুনা দাইরেক্তর অথুবা মতমদা শিন্দোক্কদবনি হায়বা খোলাও কয়া লাওখি। খোংজং চংশিল্লিবশিংনা ফোংদোরকপগী মতুং ইন্না থা অসিগী ২১ ফাওবগী মনুংদা দাইরেক্তর অসি শিন্দোক্কবদি ত্রেনিংগী থবকশিং লেপ্পগনি। ঙরাং কোলেজ অসিদা থোকখিবা থৌদোক অদু কন্দেম তৌই অমসুং মসিগী হৌরকফম অসি দাইরেক্তর চন্দ্রমনিনা পুগদবনি।

এস আই অমদি এ এস আই ত্রেনিশিংনা কোলেজ অসিগী এদিস্নেল এস পি এজুটেন্ট ওইরিবগী ইস্কোর্টপু শা–ষনগুম্না ফুবা অদু য়ানিংদে। প্রেস অমদি মেদিয়াগী মমাংদা মরাল লৈরবা ত্রেনিশিংনা চথখিবা থৌওং অদু লাল্লে হায়না হায়জগদবনি। পাসিং আউট পেরেদ পাংথোক্লবা শেল খায়খি হায়বদু কনা কনানো হায়বসু মেদিয়াগী মমাংদা শেংদোক্কদবনি। ত্রেনি ওইরিবশিংনা ইস্কোর্ট ফুবা অদুগী মতাংদা দাইরেক্তরনা ৱাফম অমত্তা হংবিদবসি লাইবক থিবনি অমদি থমোয় শোক্লা নুংঙাইতে। কোলেজ অসিদা মমাংদা পাংথোকখিবা ত্রেনি বেটচশিংনা ঙরাং চথখিবা থৌওং অদুগুম অমত্তা চথখিবা লৈতে। মদুগুম্বা লাইবক থিবা থৌদোক থোকখিবা অদু দাইরেক্তরগী য়াম্না চাওবা অশোয়বা অমনি। হাউসি পাং থোক্লগা গ্রাস কত্তিং মেছিন লৈগনি হায়রগা লৈদনা তোকখিবা য়ানিংদে। শেমগৎ শাগৎপগী মিংদা থিকা তৌরগা কোলেজগী ষ্টাফপুম্বা শিন্মি ওইনা শিজিন্নবা অমসুং বেটচ অসিগী ত্রেনিশিংবুনা আউট পাস পিরগা থম্বা য়ানিংদে। ষ্টাফশিংগী মেস ফিদগী পার্সেন্টেজ লৌবা য়ানিংদে হায়নসু মখাতানা ফোংদোরকখি হায়রি।

*কোবী য়োনবগী ৱাথোকঃ*

# চকপীকারোংদদি নিশাগী অথিংবা লৈ

এস এন এস

ইম্ফাল, মার্চ ১৬ ঃপাউ–চেশিংদা সরাংথেম ধনা কৌবা কোবী লাল্লোন্বনি হায়বা মীওই অমনা মহাকপু খুন্নীশিংনা তমথিনা ফুখি হায়বসি মরম করিদগীনো হায়বা মীয়াম পুন্না খঙমীন্নবগী মথৌ তারে অমসুং মহাক্না মীয়ামদা মরাল শিরিবা অদু থাজনিঙাই ওইদবা অরানবা পাউনি হায়না চকপীকারোংদা লৈবা লুপশিংনা ফোঙদোরক্লি।

অনাল সিন্নু রুৱল, অনাল লেলরুৱল তাংপী, চকপীয়ুকারোং ব্রাঞ্চ, অনাল নাগা চিফস এসোসিয়েসন অমসুং চকপীকারোং বজার বোর্ডকী চিয়ারমেন্না ফোঙদোরকপা মতুং ইন্না থৌদোক্তুদা ফুখিবা ককচীংদগী সরাংথেম ধনা হায়রিবা কোবী লাল্লোনবা নুপা অদু য়ু য়াম্না থকপদগী চকপীকারোং বজারদা লাও খোঙদুনা মহাক মী হাৎপা লাকপনি অমসুং মহাক্কীসু মী লৈ হায়না লাও খোঙদুনা মীয়ামদা অয়েৎপা পীখি। মদু তৌদনবা মহাক্কী লোয়নবী য়াওনা মীওই খরনা থেমজিন্নবা হোৎনখি অদুবু মদুদা ধননা য়াবা কৌবা লৈখিদে। মহাকপু খুলগী নহারোলশিংনা পুলিসতা শিন্নখিসি হায়না ফোঙদোরক্লবসু মহাক্কী লোয়নবীনা খাম্বদগী জেলদা থাজিন্নবদি হোৎনবা লৈখিদে।

থৌদোক অদুগী মতাংদা ফোঙদোক্লিংবা অমনা লোকেল মীয়ামসু য়ু থক্লগা লাকপা ওইবনা কনাগুম্বা অমত্তদা মতেং পাঙখিবা লৈতে। অদুমকপু হায়রিবা এরিয়া অদুদা অচৌবা রেক্কেট অমদি লৈরে হায়বা মশানা তাকচরবনি। মসিগী মথক্তা এন এস সি এন (আই এম)গী মতুংইন্না মখোয়গা ইন্দিয়া গভর্নমেন্টগা ৱারি শান্নরোই হায়বা ৱাথোক অমসু লৈরিবনি।

# লায়কন্নরকখিবা নিংথিবী রেষ্টুরেন্টগী মপু শিরে

এস এন এস

ইম্ফাল, মার্চ ১৬ ঃ মমাং থা ফেব্রুৱারি ১৯ দা ইম্ফাল ইষ্টকী পোরোম্পাৎ পুলিসকী মনুং চনবা খুরাই অঙোম লৈকাইদা লৈবা নিংথিবী রেষ্টুরেন্টগী মপু আইন্না থিংখ্রবা লালহৌলুপ কে সি পি(পোইরৈ মৈতেগী কেদরশিংনা নোংমৈনা কাপ্লম্বদগী লাইকন্নরকখিবী অদু ঙসি লাইকন্নবা ঙমদনা লৈখিদ্রে হায়রি।

লৈখিদ্রবা রেষ্টুরেন্ট মপু অদুগী মমিং লাইশ্রম ওংবী রোমিতা (৩৮) মপুরোইবা সেনাপটি কৌই খুরাই অঙোম লৈকাইদগীনি হায়রি। মহাক মমাং থাগী ১৯ দা মশক খঙদবা খুৎলাই পায়বা মীওই অহুম লাক্লগা রেষ্টুরেন্টতা নোংমৈনা কাপ্লম্বদগী মবুক্তা মরু অনি পানবদগী শোক্তুনা নোর্থ এ ও সিদা লৈবা রাজ মেদিসিটি হোস্পিটালদা পুখৎতুনা অরুবা ফিভমদা লাইকন্নখি। ওপরেসন তৌদুনা মখা তানা লাইকন্নরবা মতুং হকচাংগী ফিভম ফগৎলকপদগী থা অসিগী হৌখিবা মার্চ ৯ দা রাজ মেডিসিটিদগী দিচার্জ তৌরকখি।

অদুবু ময়ুমদা লৈরবা মতুং ঙরাং হকচাংগী ফিভম অমুক হন্না লুশিল্লকপদগী অয়ুক পুং ১০.৩০ রোম তাবদা ইমুং–মনুংনা অমুক হন্না রিমসতা পুখৎতুনা লাইকন্নরবা মতুং ঙসি নোঙানলমদাই পুং ৩.৩০ রোম তাবদা লাইকন্নবা ঙমদনা লৈখিদবনি হায়রি। অশিবা হকচাং পোষ্ট মোর্তেম তৌনবগীদমক পুলিসনা জেনিমসকী মোর্গতা থমখ্রে। নিংশিংবা য়াবদি রেষ্টুরেন্ট মপু রোমিতা কাপ্লমখিবা মতম অদুদা রেষ্টুরেন্ট অদুগী কাদা লৈরম্বা লৈশাবী অমগা নুপী থিরবা নুপা অমগসু কাপ্লম্বদগী শোকখিবগী থৌদোক লৈখ্রবনি। নোংমৈনা কাপ্লম্বগী থৌদোক অদু আইন্না থিংখ্রবা লালহৌলুপ কে সি পি (পোইরৈ মৈতৈ)লুপনা তৌবনি হায়নসু লৈবাক মীয়ামদা শেংদোকখিবা থৌদোকসু লৈখ্রবনি।

# মণিপুরদা চেরি ব্লোজম মখল লৈরবনিনা চাওনা পোখোক পুথোকপা য়ারগনি ঃ *দিনবন্ধু সাহু*

ইম্ফাল, মার্চ ১৬ঃ মণিপুরদা চেরি ব্লোজম মখল কয়া অমা মহৌশানা হৌদুনা লৈরম্লবা মরম্না ওষ্ট্রিলিয়া, ব্রাজিল, কানাদা, চাইনা, ফ্রান্স, জর্মিনি, নেদলেন্দ, নিয়ু জিলেন্দ, সাউথ কোরিয়া, টর্কি, য়ু কে অমসুং অতৈ লৈবাকশিংদা ফংলিবা চেরি ব্লোজমশিং লমদমসিদা থাদুনা শেন্দোং চাওনা তানবা য়ারগনি হায়না তাকয়েলদা লৈবা ইনষ্টিট্যুট ওফ বায়োরিসোর্স এন্দ সষ্টেনেবল দিবলপমেন্ট (আই বি এস দি)গী কমপ্লেক্সতা চেরি ব্লোজম প্লান্টেসন তৌবগী থৌরমদা ইনষ্টিট্যুট অসিগী দাইরেক্তর প্রোফেসার দিনবন্ধু সাহুনা ফোংদোকখ্রে।

প্রোফেসার দিনবন্ধুনা সাহুনা মখাতানা হায়খিবদা, মহাক মশামক্লা লুচিংবা আই বি এস দিগী সাইন্টিষ্ট তিম অমনা চেরি ব্লোজম (সাকুরা পাম্বী অসি মণিপুরগী চিংগী উমং শিং হৌরম্বা চয়োল খরগী মমাংদা থেংনরকপনি। চেরি ব্লোজম অসি চাবা য়াবা অমদি ওইদে। পাম্বী অসি জাপান লোনদা সাকুরা হায়না খংনবগা লোয়ননা সান্তি অমদি মরা তপ্পগী খুদমনি হায়না লৌনরম্মী। লোয়ননা সেভেন্ট শেঞ্চুরি এ দিদগী হৌনা চেরি ব্লোজম মপুং ফানা শাৎপা মতমদা জপানদা হানামি হায়বা ফেষ্টিবেল অমা পাং থোক্লরম্বগী রেকোর্দ লৈরম্মী। হৌজিকসু ফেষ্টিবেল অসি জপান লৈবাক্কী মফম শিনবা থুংনা পাংথোক্লি। চেরি ব্লোজম পাম্বী অসি জপানগী তোঙান তোঙানবা মফমশিং পার্ক, লাইসং,



স্কুল–কোলেজ, লম্বীগী মতাই অমদি তুরেল মপান্নচিংবদা পাকশন্না থানৈ। পাম্বী অসিগী মপুং ফানা লৈ শাৎপা মতম অসি ফেব্রুৱারি থাগী লোয়রমদাইদগী হৌরগা মার্চ থাগী অহৌবা নুমিৎ ১০দগী ১৫নি রোম শাৎলি। হায়রিবা মতমসিদা হানামি ফেষ্টিবেল পাংথোক্তুনা জপানগী প্রজা পুম্নমক্না পাম্বী অসি হৌবা মফমশিংদা চত্তুনা হরাও নুংঙাইবা ফোংদোকপা, লাইরিক পাবা, লাইরিক ইবনচিংবা মানা মানা পাম্বশিং পাং থোক্তুনা পোথানরম্মী।

পৃথিবীদা লৈরিবা লৈবাকশিংগী মরক্তা লৈনরিবা মরি অসি হেন্না চেৎশিহন্নবগা লোয়ননা শান্তিগী পাউজেল পিবা ওইনা জপান্না তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদা চেরি ব্লোজম পাম্বীশিংদা থাখ্রে।

প্রোফেসার সাহুনা মখাতানা ফোংদোকখিবদা ইকোটুরিজম চাওখৎহনবনা অৱাং নোংপোক লমদমগী শেল থুমগী ফিভম ফগৎহনগনি। চহিসিগী ফেব্রুৱারিদা গিফু সাকুরানো কাই য়াওবা জপান্নিস কাংবু অমগা আই বি এস দিগা খুৎশম্নদুনা দেলিদা সাকুরা প্লান্টেসন...মখা লমায় ৫ দা

# নিংতম লালহৌ নমথনবা হোৎনরিবশিং খাঙেনফমদা হিপকদবা মতম নকশিল্লক্লে

ইম্ফাল, মার্চ ১৬ ঃ নিংতম লালহৌ নমথনবা হোৎনবতা নত্তনা মীয়াম্বু তংদু লৈতা হন্দনা লৈহল্লিবা নোংমৈগী লীলা অসি দিল্লি বন্দিট অমসুং মখোয়গী হংলাইগী ফুরিৎখাওদগী পুথোক্তুনা শান্নবা লীলানি, ভুট শান্নবা হৈতনা শান্নরুবা মখোয় পুম্নমক ভুটনা মখৌরি মেৎতুনা হাৎলি হায়বগুম মখোয় পুম্নমক খাঙেমফমদা হিপকদবা মতম অদু নকশিল্লক্লে হায়না আইন্না থিংখ্রবা লুপ আর পি এফনা ফোঙদোরক্লি।

লুপ অসিগী সেক্রেটরী পব্লিসিটি রোবেন খুমন্না থাদোরকপা চেরোলনা হায়, মণিপুরগী মাঙখ্রবা নিংতম্বা হঞ্জিন্নবগী খুৎলাই পায়দুনা চথরিবা লাঞ্জং অসিবু ইন্দিয়া লৈঙাক, দিল্লিগী বন্দিটশিংনা নমথনবদা থৌশিল অমা ওইনা নিংতম লান্দা শরুক য়াবতা নত্তনা চউখৎপা লমদম অমা ওইহনবতা অমদি তুংগী মায়োন লেপ্পদা মরুওইবা থৌদাং লৌগদবা নহারোলশিংদা হেরোইন নম্বর ফোর কাপ্পবা শিরিঞ্জ পীশিন্দুনা নিংতম লানফমদগী নাথেনবা লাক্লরি, তুংগী মীরোল কয়া খুন্তাক লানশিনবা থৌরাং লি। থৌশিল অসিনা মরম ওইদুনা লমদম অসিগী নহারোল কয়া ঐচ আই ভি /এডসনা হাৎখ্রে, কয়া অমনা লায়না অসিগা শাগোন্দুনা শিরুম–নারুম হিংলি। ময়াই কাবা চিঙ্গাক্লা লাইচুরবা মীরোল অসিনা মশা মাঙজখিবতা নত্তনা খুন্নাইদা মাঙনবগী মশক ওইরবা ফত্তবা লিচৎ–শাজৎ কয়া হায়বদি ফল্লানবা, হুরান চিংছি, মীফা–মীপুন, লন–থুম লাকপা মুনবা অসিদগী হেনবা কয়া চখদুনা অকি–তুজুংবনা থল্লবা লৈতাফম খঙদ্রবা খুনাই অমগী পুন্সিদা হিংলি।...মখা লমায় ৫ দা

For advertisement please contact: #8731815660, e-mail: sanaleibak.ads@gmail.com, Circulation helpline: # 8119919501